## ইমুং ১গী মীওই ৪ হাৎখ্রে

টেগুসিগালপা, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
হোন্দুরাসকী সান পেদ্রো সুলা সিটিদা লৈরোল চনবগী থৌরম পাঙথোক্লিবা মীওইশিংদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদা ইমুং অমগী মীওই ৪ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। মীওই ৪ অদু ব্লেক কেট হায়না খঙনবা দ্রগ দিলর অমগী নহা ওইরিবা মচানুপা অমা লৈরোল চন্নবা হোৎনরিঙৈদা হাৎখিবনি।

## রেভোল্যুসনরি গার্দ অনী শিরে

দুবাই, ওগষ্ট ০৭ : টর্কিগা লোন্নবা বোর্দর মনাক্কী ইরানগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদম অমদা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্নবদা ইরানগী এলিট রেভোল্যুসনরি গার্দসকী মেম্বর ২ শিরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরানিয়ন ষ্টেট টেলিভিজন্না ফোঙদোকখ্রে। মাকু লমদমগী গভর্নরনা রেভোল্যুসনরি গার্দ অনী মরৈবাক কন্নবা হোৎনবদা মথ্বাই থাখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মখা তাবা ৱারোলশিংদি পীখিদে। ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং কর্দিস মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মরক্তা লমদম অদুদা তোইনা খুৎ থোক্নরিবনি।

## লান লেপ্পবা ৱারী শান্নরিবা টালিবান্না সুইসাইদ বোম এটেক চথখ্রে, মীওই ১৪ শিরে, ১৪৫ শোক্লে



কাবুল, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
অফঘান কেপিটেল কাবুলদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা পুলিস ষ্টেসন অমদা চথখিবা সুইসাইদ কার বোম এটেক অমদা মীওই ১৪ শিখিবগা লোয়নন্না অতৈ ১৪৫ না অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা টালিবান্না এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

অফঘানিষ্টানবু এক্সট্রিমিষ্টশিংনা টেররিষ্ট এটেকশিং চথবদা শীজিন্নরোই হায়বা টালিবানগী ৱাশক অমদা লৈবাক অসিদগী য়ু এসকী ট্রুপশিং লৌথোক্নবগী মরু ওইবা পেক্ট অমা টালিবান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা খুৎয়েক পীনবগীদমক কটরগী কেপিটেল দোহাদা ৱারী শান্নবা খুমাঙ চাওশিনবা লৈরবসু অফঘানিষ্টান্দা হাৎন-শুনবা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈত্রি। অয়ুক্কী মী চিল্লকপা মতমদা কাবুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা থোকখিবা অচৌবা বোম পোকখায়গী থৌদোক অদুদা মফম অদুদগী ৱাওথাংনরবা মৈখু মপৈশিং নোংথক্তা কাখৎখি। টালিবানগী মায়কৈদগী মখোয়গী সুইসাইদ বোম্মরশিংগী মরক্তুগী অমনা রিক্রুটমেন্ট সেন্টর অমদা এটেক তৌখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা মশিং য়াম্লবা লান্মীশিং অমসুং পুলিস পর্সনেল কয়া শিখ্রে নৎত্রগা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না টালিবানগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। দেপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রর খোসাল সাদটনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদেকখিবদা, কাবুলগী পুলিস ষ্টেসন্দা চথখিবা এটেক্তা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং ১৪৫না অশোক-অপন নংখ্রে। শিরিবশিং অদুগী ৪দি পুলিস পর্সনেলশিংনি অদুগা অতৈদুনা মীচম ঙাক্তনি। লোয়নন্না অশোকপশিং অদুগী মনুংদা ৯২ দি মীচম ঙাক্তনি।

বোম য়াওবা কার অমা পুলিস ষ্টেসন অদুগী মপান্দা লৈবা চেক পোইন্ট অমদা খাম্লুবদা শাথিরবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি হায়না ইন্টিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাসরট রহিমিনা ফোঙদোকখি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নুপী অমসুং অঙাং কয়া মীশি মীনা নংলে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না টালিবান্না অসুম্না সিভিলিয়ন এরিয়াদা টার্গেট তৌদুনা লেপ্তুনা এটেক চথবা অসিনা মখোয়না অফঘানিষ্টান্দা তশেংনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনদে হায়বসি উৎলি হায়না প্রসিদেন্সিএল স্পোক্সমেন অমনা হায়খ্রে।

## পিছ টোক্স মখা চথবা হৌনবা যুক্রেনগী ঝেলেন্সকিনা পুটিনদা তকশিনখ্রে




কিভ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
যুক্রেনগী নোংপোক থংবাদোবাসকী বোর্দর লমদমদা মিলিটেন্টশিংনা সেল কাপশিল্লকপদগী লান্মী ৪ শিখ্রবা তুংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির ঝেলেন্সকিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রসিয়ন লিদর ৱ্লাদিমির পুটিন্দা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লুবা ৱারী মখা চথবা হৌনবা তকশিনখ্রে।

যুক্রেনগী টুপশিং অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা ফোর্সশিংগী মরক্তা কুমজা ২০১৪ দগী মুক্নরকখিবদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩,০০০ রোম শিখ্রে। ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সীজ ফয়ার দিল অমনা কুমজা ২০১৫ দা যুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা অচৌবা লান অমা লেপহনখ্রবসু খুৎ থোক্লবগী থৌদোক মচাশিং হৌজিকসু চাং নাইনা থোক্লি হায়বা য়াই।

দোনবাস লমদমদা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্কনি হায়বগী ৱাশক অমগা লোয়নন্না মীখল থেংনখিবা ঝেলেন্সকিনা হৌখিবা এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা যুক্রেনগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্না পুটিন্দা ফোন তৌদুনা ৱারী শানখি অমসুং রসিয়ন লুচিংবা অদুদা দোনবাসকী ফাইটরশিংবু লাকশিন্নবা অমদি পিছ টোক মখা চথনবা তকশিনখি।

## মিসাইল চায়েংশিং মিলিটরি এক্সর্সাইজকী মতাংদা য়ু এস, সাউথ কোরিয়াদা পীবা ৱার্নিংনি : কিম



সিওল, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা টেক্টিকেল গাইদেদ মিসাইলশিংগী চায়েংশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা পুন্না পাঙথোক্লিবা চয়োল অসিদা হৌখিবা মখোয়গী মিলিটরি দ্রিলশিংগা মরী লৈননা মখোয়দা পীবা ৱার্নিং অমনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন্না হায়খ্রে।

চয়োল অনী ফাদবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকপা নোর্থ কোরিয়াগী মরিশুবা মিসাইল চাংয়েংশিংগী ওইরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মিসাইল লোঞ্চ অদু ৱাশিংটন অমসুং প্যোংয়াংগী মরক্তা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী লেপ্তুনা লৈরিঙৈ অমসুং য়ু এস অমদি সাউথ কোরিয়াগী জেইন্ট মিলিটরি এক্সসাইজ চথরিঙৈদা পাঙথোকখিবনি।

কে সী এন এনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল চাংয়েং অসি হৌজিক য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ওথোরিটিশিংনা চথরিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলদা ৱার্নিং মতিক চানা পীনবগী খোঙথাংনি।

নোর্থ কোরিয়াগী নোংচুপ থংবা এরিয়াদগী কাপখিবা অনৌবা মখলগী টেক্টিকেল গাইদেদ মিসাইলশিং অদু কেপিটেল অমসুং ময়াই থংবা লমদম লান্না পাইদুনা নোর্থকী অৱাং থংবা সমুদ্র খোংবানগী মনাক্তা লৈবা টার্গেটতা চপ চানা পানখি হায়না কে সী এন এনা ফোঙদোকখি।

দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী থুজিন্নবগীদমক্তগা লেপখিবা মমাংগী চহীগী ওইবা অচৌবা দ্রিলশিংগী মহুৎ শীন্দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা চয়োল অসিদা অয়াম্বনা কম্প্যুটর সিম্যুলেসন ওইবা দোং মেং নৎত্রগা এলাইয়েন্স এক্সসাইজশিং হৌখিবনি।

## ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়ন্দা টর্কিগী দ্রিলিং জহাজশিংগী থবক লেপত্রি

অঙ্কারা, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
মেদিটরিনিয়নগী নোংপোক থংবা শরুক্তা টর্কিগী দ্রিলিং জহাজ অনী মখা তানা ওপরেট তৌরি অমসুং অতোপ্পা জহাজ অমসু থা অসিগী মনুংদা ওপরেসন হৌরগনি হায়না টর্কিস ইনর্জি মিনিষ্টর ফাটিহ দোমেঝনা ফোঙদোকখ্রে।




টর্কি অমসুং সাইপ্রসকী মরক্তা নেচরেল রিছোর্সশিংগী মতাংদা য়েৎনবনা মরম ওইদুনা উংখৎনবগী ফিভম অমা লৈরিঙৈদা টর্কিগী জহাজশিংনা য়েৎনরিবা মফমশিংদা মখা তানা থাউ থিবগী থবকশিং লেপ্তুনা চথরকখিবনি। ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়ন্দা ফংলিবা ফোসিল ফ্যুএলশিংগী মপু কনানা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা ঈ য়ুগী মেম্বর সাইপ্রস অমসুং টর্কিনা চহী কয়ামুক য়েৎনদুনা লাকখি।

টর্কিস সীপ্রিয়টশিংনা রিছোর্সশিং অদুগী শরুক খরা লৌফম থোকই হায়না অঙ্কারানা ক্লেম তৌরি। সীপ্রিয়ট গভর্নমেন্টকা অতৈ মেদিটরিনিয়ন ষ্টেটশিংগা মরিটাইম ইকনমিক জোনশিংগী মতাংদা য়ানখিবা মালেম্নসু শকখঙবা এগ্রীমেন্টশিং টর্কিনা কন্না য়ানিংদ্রিবনি।

টর্কিনা মচেৎ তারবা সাইপ্রস ইথৎকী মনাক্তা থাউ থিনবগী ভেসেল অমগা লোয়নন্না ফাটিহ অমসুং য়াভুঝ কৌবা দ্রিলিং জহাজ অনী থাখি। অমরোমদা, গ্রীসনা টর্কিগী খোঙথাং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না থৌওং অদুনা লমদম অদুগী সিক্যুরিটিদা চাওনা অকায়বা পীগনি হায়খি।

সাইপ্রসকী অৱাং নোংপোক থংবা খোংবানগী মনাক্তা লৈরিবা য়ুভুঝ দ্রিলিং জহাজদা তোংলিবা দোনমেঝনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, অনীশুবা থাউ থিবগী ভেসেল অমা ওগষ্ট থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা মফম অদুদা থবক তৌবা হৌরগনি। য়ুভুঝকা লোয়নন্না অনৌবা ভেসেল অদু টর্কিস ফ্রিগেট অমগা লোয়নন্না পেট্রোল বোট অমনা ঙাক শেনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। সাইপ্রস অসি কুমজা ১৯৭৪ দা টর্কিনা লান্দাখিবা মতুংদা মচেৎ তাখিবনি।

## দেনিস টেক্স ওফিসতা পোকখায়বদা অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে



কোপনহেগন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
দেনমার্ককী টেক্স এজেন্সিগী হেদ ক্বার্টরসতা থোকখিবা বিল্ডিংগী মমাং থংবা থোঙ য়াওনা অতৈ শরুক খরা মাঙহন তাকহনখিবা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথরি হায়না দেনিস পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কোপনহেগন পুলিসগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.১৫ তাবা মতমদা নোর্ধভন ষ্টেসন্দা লৈবা গভর্নমেন্ট বিল্ডিং অদু অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা নীকখি। ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা চোংথোরক্তুনা পাউদম্নবা আপিল তৌখ্রে।

হৌজিক্কী ওইনদি পোকখায়বগী থৌদোক অদু করম্না নৎত্রগা কনানা থোকহনখিবনো হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদু হকচিন্না লৌবগা লোয়নন্না মখোয়না মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌরে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি থাংঙৈশেংবা এটেক অমা ওইরম্লবদি ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারোই হায়না চীফ পুলিস ইন্সপেক্টর জোর্গেন বের্গেনগী স্কোভ ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দেনিস টেক্স মিনিষ্টর মোর্টেন বোদস্কোভনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা থৌদোক অদু য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়খি। অসিগুম্বা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লিবা থৌদোক অসি কনাগুম্বা অমগী খুৎ শোয়দনা য়াওফম থোকই হায়না বোস্কোভনা দেনিস ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন্দা ফোঙদোকখি।

## চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী সপ্লাইদা অকায়বা পীগনি

লন্দন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
দিল য়াওদবা মওং মরীন তাদবা ব্রেক্সিটক্না মরম ওইদুনা করিগুম্বা হিথাংফমশিংদা হৈ-রা অমদি মনা-মশিংগী ওইবা চীঞ্জাক্কী আইটেমশিং পন্দুনা লৈবদগী পথু-পুমথবা থোক্লবদি বৃটেন্দা চয়োল কয়ামুক নৎত্রগা থা কয়ামুক চান-থক্লবগী পোৎশকশিংগী সপ্লাইদা শোকহনগনি হায়না ইন্দষ্ট্রি অসিগী ট্রেদ বোদিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

মনা-মশিং অমদি হৈ-রানচিংবা চানবগী অনৌ-অপন আইটেম অয়াম্বা মপান্দগী পুশিনবনা অমসুং খ্মাষ্টকী মাঙওইননা পোৎলমশিং অসি পৈশিন্দুনা থমগদবা লৈবনা বৃটেন্না ট্রেদ দিল অমা য়াওদনা ওক্তোবর ৩১ দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা তারবদি ইন্দষ্ট্রি অসিগী ওইনা অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্নগনি হায়না টেস্কোগুম্বা রিটেল্লরশিংনা মাঙজৌননা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

অহানবগী ব্রেক্সিটকী মতম মার্চ ২৯ গী মাঙওইননা সুপর মার্কেটশিং অমসুং রিটেল্লরশিংনা সপ্লাইয়রশিংগা খুৎশম্নদুনা পাষ্টা, পেকেজ ৱাটর অমসুং টোইলেট পেপর য়াওনা অকংবা চান-থক্লবা পোৎশকশিংগী ষ্টোকশিং হেনগৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

অদুমওইনমক মখোয়না নুমিৎ খরনিদগী হেন্না থম্বা য়াদবা হৈ-রাশিং অমদি অশং-অমানশিংগী মতাংদদি কষ্টমসনা বৃটেনগী খ্বাইদগী চাওবা হিথাংফম দোভরদা চেক কনমনবদগী আইটেমশিং অসি মতম শাংনা মফম অদুদা পন্দুনা লৈবা য়াই হায়না চেকশিনৱা হায়খি।

TODAY
TODAY
HOUSIE BUMPER DRAW
TICKET RATE Rs. 1500/-
In aid of Fund Drive
Org. by: Performing Artistes and Welfare Association
Regd. No. 2655-92-93
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 300/-
PRIZE
Rs.1,000,00/-
10TH-Housefull
Activa -5G




All Line, Quick 5 & Star are Rs. 3000/-
Venue : Kakwa Sofa Leirak Community Hall.
Date & Time
8 August, 2019
at 5.30 P.M.
HL-P/3567/8

## ইমরান খান্না এন এস সীগী মীফম অমসু কৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেট্স লৌথোকখ্রবা মতুংদা চয়োল অমগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না নেসনল সিক্যুরিটি কম্মিটি (এন এস সী)গী মীফম অমসু কৌখ্রে।

চয়োল অমগী মনুংদা পাঙদোক্লদৌরিবা অনীশুবা মীফম অদুদা পাকিস্থানগী সিভিলিয়ন অমসুং মিলিটরিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টগী ৱারেপ অদুগী মতুংদা পাকিস্থানগী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা ষ্ট্রেটেজিগী মতাংদা খন্নগনি হায়না জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।


লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেসনল এসেমব্লিগী অপুনবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেট্স লৌথোকখ্রবা মতুং অসিদা পুলৱামাদা চথখিবগা মান্নবা এটেক কয়া চথরক্তুনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা লান অমা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈ।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লক্কনি হায়বসি ঐহাক্না ইরাই লায়না মাঙজৌননা হায়বা ঙম্মী। হন্দকসু মখোয়না ঐখোয়দা মরাল শীদুনা ঐখোয়দা অমুক হন্না এটেক তৌরকপা য়াই অমদি ঐখোয়নসু মখোয়দা লমন খুমদুনা খুৎ হনবা য়াই হায়না ক্রিকেট্টর ওইরম্বদগী পোলিটিসন ওইরকখিবা খান্না পার্লিয়ামেন্টতা হায়খি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)
Ref :- Mut. Case No. 1618/SDC/IW(C) 2/8/2019
Rajkumar Tenbrajit Singh S/o Rajkumar Meghajit Singh of Uripok Sorbon Thingel -Petitioner
-Vs-
Rajkumar Meghajit Singh S/o (L) Rajkumar Iboton Singh of Haobam Marak Keisham Leikai. -O.P. Party
/ NOTICE
Imphal, the 6th August, 2019.
Under the Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি পাট্টাদার Rajkumar Meghajit Singh পীং (Late) Rajkumar Iboton Singh সাং Haobam Marak Keisham Leikai গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহসিলগী খুল নং ৪৬-নাওরিয়াপাখংলাকপগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৩২/১০৭৫ (অরিবা), পাট্টা নং ১৮৯, দাগ নং ২৭২/১২৮৮ অমসুং এরিয়ানা .০১৪০ (হেক্টর) চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা অহৈবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরগদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই, কেস মখা চথরগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (Central)
HL-P/3561/8


/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি পাইলসকী ওজা অবদুল হকপু
ঐহাক পাইলসনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থরকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউয়াদবা, শৌজদা পোম্বা, হাকৎচবা, কক কক থিনবা, খ্বাং নাবা, চাবা থকপা তুমদবা, তূম্বা য়াদবা অসিনচিংবনি। অদুবু ওজা অসিগী হীদাক নুমিৎ ১৫নি চাবদা মপূং ফানা কান্নবা ফংজখি। ওজাবু পেপরগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়নন্না পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা ফংহনবীয়ু হায়না মপুদা হায়জরি।
ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-5.30pm)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4.30pm)
থাগৎচরিবা : Ch. Prakash
Sekmaijing Awang Leikai
HL-P/3428/8

/ লোক কংখু খুবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, থবাক নাবা, থবাক খেবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা ফহনবগীদমক ওজা MV Azad পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা এজমানা মরম ওইদুনা লোক কংখু খুবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, থবাক নাবা, থবাক খেবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, অহিং তূম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, শ্বর হোনবদা মখোল থোকপা খোর খোর লাওবা, নোং চুরগনা অমুক হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, চনীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চারবসু হকচাংদা মচি ওইদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, ৱা ঙাঙবদা মচা তানা ঙাঙবা ঙমদবা, খোঞ্জেল হৌনা ৱা ঙাঙবদা ময়েক শংনা ঙাঙবা ঙমদবা, তাং তাং চিকপা নাবা, য়াংলেন শরুদা শাবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, খোঙ খূৎ শজিং হৌরগা শিথবগুম করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা, মরক মরক্তা খূৎশা-খোঙশাশিং পকশন্নরগা পেরলাইসিস তৌবগুম তৌবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদপু থাগৎচরি।
ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal,
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open),
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sun & Wed open),
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak achouba (6am to 10am)
থাগৎচরিবী : O Thambal Devi
Kakching
HL-P/3507/8

/ খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু য়াম্না হাকৎচবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না কংখৎলকপা, শা-ঙা, মোরোক চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা জোর জোর তারকউ য়াদবা, ৱাতিন মতেক্তুম্না খজিক খজিক হাম্লকপনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবসু য়াওবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা মতমদা চাবা থকপসু য়াদবা, ওনিং-ওনিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না কংখৎপা, পুক চপ তিংখৎপা, ঙা-শা, থাও, মোরোক কা হেন্না চাবা য়াদবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, কমলাক মরী নাবা তৌরম্বা অদু মহাক্কী লায়েংসিদা মায় পাকপগী ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু হন্না হন্না থাগৎচরি।
লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)
থাগৎচরিবী : Omi Devi, Kontruk
HL-P/3442/8